

# নোলেজ য়াওদনা চঙশিনবা লনফমদি মায় পাকপদা হায়বসি চাদা ৯৯ ওইথোক্লোই ঃ চিংবোই

## সুর মৈতৈ



আর্ট হায়বসি করিনো খঙলমদে অদুবু পামজরুবনা খোঙদারুবদগী আর্ট হায়বসি করিনো খঙনা খোঙদাদুনা লমদম অসিগী শকনাইবা আর্ট্টিস অমা হায়বদু পাল্লক্লদুনা ওঝা নাইনা আর্টকী লমদা নোলেজ তাশিনল্লিবী চীংমী নিংঙোল ভানৈচিং হাংমৈ মীয়াম্না নুংশিবদুনা চিংবোই হায়না মীঙ্গৌবী । ঙসিদি মহাক্না পামজনা খোঙদারিবা কলাগী লেমজিনিঙাই ওইরবা জুরি এব্রার্দ পুন্সিগী অহানবা ওইনা ফঙবা ঙমখ্রে।

চিংবোই সেনাপাটি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মোটবুং ভিলেজদা চাওরকখিবি কুকী নিংঙোল অমনি। মচীন-মনাও নুপা মরি নুপী মঙা পুন্না ৯ পোকপগী মনুংদা ৮ শুবী ওইরিবি পীক্লিঙৈ মতমদগী জগোই শাবা অমদি কে মৌবা পামজনা হৌরকখিবনি। ইং ১৯৯৩ গী দিসেম্বর ২২ দা থাংখোলুন হাংমৈ অমদি ঙাইলহিং হাংমৈ অনিগী মচা ওইনা ফঙজখিবি চিংবোই ইং ২০০৬ দগী ইম্ফালগী মনুং চন্না লৈবা ন্যু চেক্কোনদা লৈদুনা মহে তম্লকখি। মহৈগী থাক ১২ তম্লবা মতম ইং ২০১২ জুন ২৬ তা দাইরেক্টর খাইলুং খোংশাইগী মখাদা পুন্সিগী অহানবা ওইনা 'ভেটচিম জৌলৌ (য়েংবগী পেনবা নাইদ্রবা)' হায়না হৌবা কুকি লোনগী এল্লমদা খোঙদাখি। মহাক্কী ফজবা অমদি থব্রায় য়াওবা মতৌ অদুনা দাইরেক্টর অসিগী মখাদা অনিরকশুবা ওইনা 'তুলাই, গোলহাং হোল (হৌজিক মতমগী পাখঙ)' হায়না শৈহৌবা কুকি লোনগী এল্লমদা অমুকসু শক্তম লাংখি। এল্লমদা খোঙদরুবগী চিংবোইগী পুন্সিদা লমদম অসিগী মীয়াম্না শকখঙবী আর্ষ্টি অমা ওইনিংবগী ইনোৎ অমা লাকপা হৌখি। চুরাচান্দপুরদা কুকি ফিল্ম অমগীদমক আর্টিষ্ট ইন্টর্ভিয়ু অদুদা শরুক য়াখি। লাইবক ফবদগী ইং ২০১২ মে দা চিংবোই ' মিলনি উমলৌ (মীকুপ অমত্তা কাওদে)' হায়না মীংথোনবা দাইরেক্টর লেনচুং হাওকিপগী মখাদা অহানবা ওইনা ফিলমদা খোঙদাবা হৌরকখি। মসিগী মখা তাবা চহি অসিমক্কী জুলাই থাদা দাইরেক্টর কেলবিন খোংশাইগী লমজিং মখাদা ' কৌকিট থৈলৌ (অমুক হঞ্জিলকপা য়াদে)' অমদি ' ইং ২০১৫ গী সেপ্টেম্বর থাদা দাইরেক্টর এম পাউনিয়োগী দাইরেকসন মখাদা ' কানাউ লহিংপিনেং (ঐগী ইনাও)' হায়বা কুকি ফিলম অমদসু শরুক য়াদুনা মশাগী মমিং ফিলমগী ফম্পাক্তা মমি শাম্মী শক্তম তাবা হৌরকখি। কুকি ফিলম খক্তনা লমদম অসিগী শক্লাইবী আর্টিষ্ট অমা ওইগে খল্লিবা মংলান কৈদৌঙৈদসু মায় পাকপা ঙম্লোই খন্না মণিপুরী ফিলমদসু খোঙদাবা



পাল্লকখিবি চিংবোই মশাদা খঙনিংবা, হৈনিংবা অমদি হোৎননিংবগী ব্রাখল্লোন পোকলুনা ফিল্ম হায়বসি শক ফজৈ হায়দুনা পংকুমদা কুম্বা য়াবা আর্ট নত্তে হায়বা খঙলকপদগী তমগী মবুং অমগী মতেংনা মীয়াম্না থিএটরগী লমদা দাইরেক্টর অমা ওইনা ইকায়খুম্নরিবা ব্রারেপপা নববু ওঝা খন্দুনা ওঝা অসিগী লমজিং মখাদা থিএটরগী নোলেজ তানশিল্লি। চহি অসিগী ওইনা ষ্টেট কলা একাদমিনা শিন্দুনা পাংথোকপা অথোই অহেন

তান্নবা ৪৪ রক শুবা ওল মণিপুর সুমাং লিল্লা ফেষ্টিভেল ২০১৫-১৬ গী নুপী কাংলুপগী ওইবা শান্নবা লিল্লা য়াওনবা হায়দুনা তমগী মবুং অদুনা ... হায়রিবা লিল্লা দোল অসিগী আর্টিষ্ট অমা ওইনা লৈরিবি এন বিজয়েন্টিগা তান্নদুনা লিল্লা পার্টি অসিগী আর্টিষ্ট অমা ওইনা ফেষ্টিভেল অসিগী ষ্টেস থাক্তা অহানবা ওইনা লিল্লাগী ওইবা লমদা শক তাকপা ঙমজখি। পনবা য়াবা অমনা লমদম অসিদা অতাংবা অমা ওইহৌরগদবা অমনা মণিপুর শুমা লিল্লাদা চীংমী (কুকি) নিংঙোল অমনা অহানবা ওইনা শুমাং কুম্মৈদা আর্টিষ্ট অমা ওইনা খোঙদারকখিবা অসিনি।

অহানবা ষ্টেট পার্ফোমেস্তা জুরিশিংনা নুংশিবিদুনা জুরি এব্রার্দ হায়বা তাংলবা লেমজনিঙাই ওইরবা মীংথোল অসি ফঙবা ঙমজখি। লমদম অসিদা হিংমিন্নরিবা চীংমী-তম্মী অনিগী মচীন-মনাও ওইবগী নুংশিরবা মরিবু কায়হননিংদবা চীংমী নিংঙোল চিংবোই মহাক্না পামজরিবা লমদা তুংগী অশা চাওনা লৈরিবি নুপী অমনি।

হোৎঞ্জমন মহৈনা পামজরুবা খোঙথাংদা মমায় চুম্বা হৌরক্লিবি চিংবোই হৌজিক মণিপুরী ফিলমগী লমদা খোঙদানবগী খুদোংচাবা ফঙলদুনা ফিল্মগী সুইটিং হৌনবা মতম ঙাইদুনা লৈরি। অফবা ওঝাশিংগী লমজিং মখাদা মরুম থুপ্না লৈদুনা তাকপী তম্বীবা ওঝাশিংবু ইকায় নোংলুপ্না চৎতুনা মহৈদা পুক্নিং হকচাং লুপ্না খোঙ থাংজিল্লবদি মায় পাকপা হায়বসি চাদা ৯৯ ওইগনি। নোলেজ য়াওদনা চঙশিনবা লনফমদি মায় পাকপা হায়বসি চাদা ৯৯ ওইথোক্লোই হায়বগী থাজবা থল্লি হায়না নৌনা আর্টকী লমদা খোঙদারক্লিবি চিংবোইনা মহাক্কী ওইবা মত সু পাউ চে অসিদা ফোংদোরক্লি।




























Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*